# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৭৯

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

মতম শাংনা মনীং তম্না লৈঙাক্লম্বা পোলিটিকেল পার্টি কোংগ্রেস মশানা তৌজরকপা কর্ম্মনা ঙসিদি দশা ফজনা তারে। ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী হৌগৎপা য়াদনা ফীভম শোক্লা লৈরে। মসি মীয়াম্না খঙনা খঙনা ইন্দিয়াগী মীপূম খুদিংমক্তা ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। ঙসিদি কোংগ্রেস লৈঙাক অমুক হন্না হৌগৎপা হায়বসি তরাইবা থবক্তি নত্তে। মতম শাংনা মখোয়না তৌজরম্বা থবক্কী মহয়নি। দশাসি তরাইবা দশা নত্তে। কোংগ্রেস লৈঙাকপু মহুৎ শীল্লক্লিবা বি জে পিসু তরাইবা নত্তে। মতম শাংনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী ফজবা, অশোয়বা মীকূপ য়েংলগা লাকচবা বি জে পি পার্টিনি। মতম শাংনা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না পাম্নদ্রবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী মীয়ামগী থম্মোয়গী ইহুল মশক খঙনা মীয়াম্না পাম্নগদবা, মীয়ামগী থম্মোয়বু পেলহনবা সিগুম লায়বা খরদি মীয়াম মমাঙদা উৎহল্লগা থাজদনা চঙলকপা পোলিটিকেল পার্টি অমনি। ঐখোয়না চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়ারোই। মসি ঙম্নমক ইন্দিয়াগী মীওইশিং ৱাখল তানরে। পোলিটিক্স শান্নরিবা পুঙলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাবসু হৈতবদি নত্তে। মসিদি মতম শাংনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মনুংদা লৈরম্বা পূম্নমক্কী অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা শেমগৎচরকপা পোলিটিক্সকী অনৌবা চাংয়েংনি। মসিমকসু হৈমন শিংমনবদগী দশা লাক্লোই করম্না হায়রুগনি। বি জে পিসু পোলিটিকেল পার্টি অমনি। পোলিটিক্সতা করম্বা পার্টিনা অচুম্বা অশেংবা মীয়ামগীদমক কখোক্লবগে? ৱাহংসিগী পাউখুম ইন্দিয়াগী মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। বি জে পিসু পোলিটিকেল পার্টি অমনি। বি জে পিনা মণিপুরদা খোঙদারকখিবা পুৱারীগী তাঙ্কক মণিপুরগী মীয়াম্না কৈদৌনুংদা খক কাউবা য়াররোই। মতমদুদা লাংজিংগী লম্পাক্তা ঙসি ইন্দিয়াগী লুচিংবা ওইরিবা মোদিনা ঙাঙলম্বশিং করি করি থবক ওইনা উৎপা ঙম্লবগে? করিসু থবক ওইনা উৎপা ঙমদে। মসিসু পোলিটিক্সকী তাঙ্কক অমনি। শেঞ্জা থুমজা কয়াদা চেন্নরবা কয়া চপ চানা চৈরাক পীগনি, মণিপুর লৈঙাক্কী মনুংদা মীয়ামগী লন থুম মাঙহনবশিং চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়খিবা অদু কনা কনাবু চৈরাক পীখ্রবগে?

মসিগী মখা তারকপদা লৈঙাক্কী অচৌ অচৌবা ফম্নাইবশিংনা মণিপুর মীয়ামগী লন-থুম মাঙহল্লম্বা কয়া কয়ানা ইলেক্সন্দা য়াওশিল্লক্তুনা ভোট লেপখৎনরকপা, মীয়ামদগী হাৎখিবা শেলবুলনা মীচম মীয়াম্বু কোবি, হঙ্গাম লৈবগুম লৈনরকপা পূম্নমক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক মীয়াম্না থাজবা থম্নদ্রে। বি জে পিসু পোলিটিকেল পার্টি অদুমক ওইরক্লে। বি জে পিগী খুঙ্গং চৎলু, চীংদা চৎলু হায়বা অসুক ফজখ্রবা খোল্লাউনা মীয়ামগী থম্মোয়দা অওনবা অহোংবা খরদি তৌরক্কদ্রা হায়না খন্দবদি নত্তে। অদুবু থবক ওইনদি করিসু পাঙথোকপা ঙমদবসি মীৎমাংদা থবক ওইনা উনরবা ঙাক্তনি। মণিপুরগী করম্বা খুঙ্গংদা অওনবা অহোংবা উবীরবগে? খুঙ্গংগী লম্বী, ঈথৈ লৌখোং, লমলেম, লমহাং পূম্নমক লৈশিল্লক্ত্রে। লম্বী, থোং অমত্তা শেম্বীদ্রে। 'খুঙ্গং চৎলু' অর্থ করিনো? বি জে পিগী থৌশিল তাবদা ৱারক্কী তয়ানগুম্বনি। মীয়াম্না থাজবগী ৱাংমদা থবক কয়া তৌরক্কদবা মাল্লি মপূং ওইনদি ঙসি ফাওবা করিসু অহোংবা লৈতবগুম খন্নরক্লে। মতম কয়া শাংনা চৎকদবনো হায়বা চাউরবা ৱাহং অমা মীয়ামগী থম্মোয়দা হংনরক্লি।

ইন্দিয়াগী মনুংদা বি জে পি লৈঙাক অসিনা বাবরি মসজিদকী ৱাথোক লোইশিনখ্রে। মসিমক বি জে পিগী মঙলান অমদি ফংবা ঙম্লে। ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সসি কোংগ্রেসকী মতমদগী ইহোং হোংহনবদি মশক উদে। লাইবক থীবদি কোভিদ-১৯গী দশাসিমক বি জে পি লৈঙাকসিগী তোপ তোপ্পা দশা অমনি। কোভিদ-১৯না নাকল অমরোমদা পাউথোংফম ওইগদৌরিব্রা? ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউরবা দশা অমসু মোদি লৈঙাক্তা তাগদৌরিব্রা? মরমদি লৌমীশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না ফার্ম লো অহুমগী ৱাথোক চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়ারোই। ঙসি ফাওবদা লৌমীশিংনা চঙশিল্লকইবা খোঙজং লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা নুং-পানগী ওইবা হেন্না লুম্না খন্থবা মতমনি। ইন্দিয়াগী মীওই অয়াম্বা লৌমীনা থাক্লিবনি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিং য়েংবীদুনা লৌমীশিংবু য়োকখৎপীগদবনি। লৈঙাক পায়রিবশিংনা ঙমই হায়দুনা হেক্তা নমদুনা চৎননবা হোৎনরকপা হায়বসি খ্বাইদগী চাউরবা দষা ওইগনি খল্লি। হৌজিক্কী মতমদা লৈঙাক পায়রিবশিং নম্ফুদা চলাইরকপা দশাগী মথক্তা দশা নংগনি। মসিমক ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা থাজদনা অকায়বা লাক্কনি। কোভিদ-১৯গী কল্লবা মরকসিদা পেট্রোলগী মমল হেনগৎলকপা হায়বসি অচৌবা ৱাথোক অমসু ওইরক্কনি। মসিনা ইন্দিয়াগী অপূনবা ৱাথোকনি। ইন্দিয়াগী মীওইশিং কোভিদ-১৯গী ঈৱাং মরক্তা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা করিসু খন্থদনা তাশিন উশিন্নদবসি মীয়াম্না পেন্নবগী আশা নত্তে। ঐখোয়গী লমদমসিদবু মীয়াম য়াইফবা পুরকপা ইঙম ঙমনদবসিবু করিগীনো, মীয়াম নুংঙাইবদা ঐখোয় পূম্নমক্কী নৎত্রা? ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিবু চহী মঙাদং মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা ভোট কাখবদা মখেয় মখোয়দি মশক থোক্লা নুংঙাইবা ঙম্বসি মীয়াম পূম্নমক খঙনরে। মীওইবা অমত্তা ওমর নত্তে। লমদমসিদা অচুম্বসিবু ইরৈমক লৈত্রবরা?

মণিপুরদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপদগী মশক থোকপা মণিপুর মীয়ামগী অপূনবা করিবু তৌবীখ্রবগে? মণিপুরসি ইন্দিয়াগী বোর্দর ওইবা মফমনি। মণিপুরী মচা কয়া দ্রগকী কোমদা নোংম-নোংমগী পুথরকপা তাঞ্জাসু ওইরে। য়ুগী ঈপাক্তা নহারোল কয়া ইরাক্লরে। দ্রগকীদমক মখল মখাগী মীফা মীপূন মশীং খঙদনা মীয়াম্না লেপ্তুনা তানরি। দ্রগকী মায়োক্তা মীয়ামগী তোঙান তোঙানবা খোল্লাও মশীং খঙদনা লৈরি। মসিগীদমক মণিপুরদা ৱাথোক মশীং খঙদনা লৈখ্র। অদুম ওইনমক দ্রগকী চাউরবা ৱাথোক মরক্তা দ্রগ করবার তৌবা মীশক অমা মরাল লৈতে হায়দুনা থাদোকখিবসিমক মণিপুর মীয়াম পূম্নমক্লা পেন্দবগী খোল্লাউগা লোয়ননা লেপ্তুনা ৱাকৎ মীফম চথরকপসি ঙসিগী বি জে পি লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না চমম্নবা পোক্লরিবসি চাউরবা ৱাহং অমদি লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা মরাল লৈরে হায়দুনা মতম খরা জেলদা লৈরুবগী মতুংদা হন্দক্কী বি জে পি লৈঙাক অসিদা মরাল লৈরমদবসিমক মীয়াম ঙক্লদবা য়াওদ্রে। দ্রগকী করবারদা মশক নাইরবা মীশক খরা নুংদা লৈরবরা হায়বা ৱাহং অমা নুপী, অঙাং, অহল, নহা খুদিংমক্লা চিংনরিবসি করিগীনো? লমদমসিদা বি জে পিগী খ্বাইদগী লুরবা তাঞ্জা অমদি মণিপুরদা ৱাহং ওইনা লৈহৌরগনি। ৱাহংসিগী পাউখুমদি মথংগী ইলেক্সন্দা পাওখোং শোয়দনা ফোঙনরক্কনি। ঙমখ্রেদা অঙম্বা, হৈখ্রেদা মতমসিগী জজ, য়ুনা ঈশিং ওলহনবা করিসু ঙক্লিংঙাই লৈতে। দ্রগকী কেস অদুদা লোইচেন্নরম্বা পুলিস ওফিসর, মীচম মীয়াম্না দ্রগকী পোৎশক মাঙহনবগী মহুত্তা হৈনা শিংনা থৈদোকখবসিমক অঙকপশিংগী মনুংদা অঙকপা অমনি। মতমদুগী মশক নাইরবা পুলিস ওফিসর, মাগী খোঙলোইশিং নুংথিল পোবোবতা মঙলাক্লদবা য়াররোই। লমদমসি মী খরনা মীয়াম্বু মাঙহননবা শিনবদা তেংবাংবীরিবশিংনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক খন্থমিন্নবা মতম ওইরে। লমদমসিদা অচুম্বসিবু পুম্মাং মাঙহনবা ঙম্বা মীশক থোরক্লব্রা? লৈঙাক্কী আইনবসিবু মীওই খুজোক খরগী মখূৎতা শিন্নখ্রব্রা? অঙম্ববু ঙম্বা অমদি শোয়দনা লৈফম থোকই। মসি পূম্নমক খাঙখিবা তারিব্রা? লমদমসিদা তশেংনমক অচুম্বসিবু পুম্মুৎ মুথৎখিবা ঙমগদৌরিব্রা? পোলিটিকেল পার্টিনা ঙানি অদুগা মীয়াম্না ঈশিংনি হায়বসি কাউনবগুমসি, ঈশিং য়াওদনা ঙানা কয়াম কুইনা হিংবা ঙমগনি। ●

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কন্ট্রেক্টতা থবক চঙনবগী ঝমেলা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ফীভম মতমগী মতুংইন্না লৈঙাক অমনা য়ানরোল চে অমগী মতুংইন্না য়াম্না তঙাইফদনা কন্ট্রেক্টতা থবক হাপনৈ। হায়বদি য়াম্না তঙাইফদবা ফীভম অমা লাকপদগী মতম খরগী ওইরবসু মতিক চাবা খূৎশুমলনচিংবা পীদুনা লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী খূৎনেক ওইনা শীজিন্নবা থবকনি। অদুনা কন্ট্রেক্টকী থবক অসি রেগুলর পোষ্ট অমদি নত্তে। লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী ওইরবসু থবক ফংজল্লক্তবা মতিক চাবা মী মশীং চহী খুদিংগী কোকথোং কোকথোং হেনগৎলকপনা রেগুলর পোষ্টতি লায়রদনা কন্ট্রেক্ট পোষ্ট ফাওবা অমতং ফংহৌনবা হোৎননবদা তাবদা তুজুংনীংঙাই ওইবা মখল মখা পাম্বৈ শীজিন্নবগী পাউনিলখোনসু তানদবা নত্তে। অদুনা হৌজিক মতমদা কন্ট্রেক্টতা থবক চঙবসিসু অরায়বা নত্তে হায়নরি।

লৈবাক্কী পোলিটিক্সকী লম্দা হৈশিংনা থৌনা লিংজেল ফুদোকপা ঙম্নদবনা ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী স্কোপ অসি মতমগী অমসুং ফীভমগী মতুংইন্না খোঙলৈ থুনা পাকথোক চাওথোকহনবা ইঙম ঙমদনা মতম শাংনা লেন্দুনা লাকই। অদুনা কাবক শাবক পাংনা শানবা হিংনবা হোৎনবদা সেন্টরদগী চাওর-চাওরবা শেনফমশিং পুশিনবা নৎত্রগা নিবা তারকই। অদুগা অসুম্না পুশিল্লিবা শেনফমশিং অদু হেন্না চাওথোকহনবা হৈহৌদ্রগনা অরেম্বদা শ্বায় শ্বায় মাঙখিবদগী অতোংবা ফংহৌদদুনা মীওই খুজোক খরগীদি অৱাং অৱাংবা চেক্কী য়ূম-দলানশিং ফাওবদি শাহৌবা য়াই। তৌবতবু লৈবাক্কী শেল থুম পুথবা হায়বদুদি শোয়দ্রে অসুম অসুম পুথরকপা শেনফম্না মণিপুর পূম্বা সেন্টরদা য়োম্থোকপগী অশিৎপা মমল অদু নোংমদি শোয়দনা য়ৌরকপা য়ারি। ইশম শম্না অতোনবা পৈশাদি নোংমদি শোয়দনা থৌরক্কনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মতম শাংনা লৈখায় তাথোকপা ঙমজরক্ত্রিবা ইস্যুশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নন এমপ্লোয়মেন্টকী ইস্যু অসিসু অসুম অসুম হেনগৎলক্কনি অদুনদি খন্থরুবদা কয়াদি লুখ্রবা ফীভমনো।

অমনা তোকঙারা অচুম্বরা কন্ট্রেক্টতবু থবক চঙহৌরগদি নোংমদি শোয়দনা রেগুলর তাগনি হায়বগী ৱাখলদা কন্ট্রেক্টকী থবক অদু ফংহৌনবা অয়ৌবী থাক্তা হোৎননৈ হায়বগী পাউনিলখোলসু তাদবা নত্তে। খরা অমনা তমদুনা খঙলুরবা মহৈ অদু অরেম্বদা কাঞ্চ থাঙ ওইনা তাদুনা তোক্লগদ্রা কিবদগী চানগদবা কন্ট্রেক্টকী থবক্তা চঙনবসু হোৎননৈ কন্ট্রেক্টকী মতম শুরদুনা থবক্তগী লৌথোরল্লবা এমপ্লোয়ীশিং অদুনা মাগী মাগী থম্মোয়দা নুংঙাইজদদুনা নুংনাংবা পোকই অমসুং মখল মখাগী ঈৱাং শাগৎনবসু য়াওরকই। কন্ট্রেক্টকী থবক অদু করিগুম্বা মখা তানা শাংথরকপা মতমদা অনৌবা মতিক চাবা কাঙবুদসু অসুমক্কী ওইনা খুদোংচাবা পীবিদনা হান্নগী কন্ট্রেক্ট পোষ্ট অদুদা তৌদুনা লাকপা এমপ্লোয়ীশিং অদুদদা থবক মখা অদুম চথহনবসু য়াওনৈ। অদুগা অমরোমদনা লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী ওইরগসু কন্ট্রেক্ট পোষ্ট মশীং অমসুং রেগুলর পোষ্ট মশীং য়াম্না মরাং কায়না কৌবা ঙমদবগী অৱাবা খুদোংচাদবা কয়ামরুমসু লৈতবা নত্তে। করেম্নना হায়বা ওইনা থোক্কদ্রা, লমদম অসিগী ওইনা মহৈ-মশীন, লাইরিক লাইশ্রু হৈবা মীওই মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লিবা মখৈ থবক তৌবা ফংলক্তবগী মশীংসু হেনগৎলক্কনি হায়বদু তারে।

মরম অসিনা লৈঙাক্লা হীরম কয়াগী ইন্দষ্ট্রিশিং রিছার্স সেন্টরনচিংবশিং লিংখৎপীদুনা ষ্টেট অসিগী দিভলপমেন্টগী স্কোপ অসি খরা হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবা ঙম্লগদি থবক ফংনদবগী অৱাবা অসি ফনা য়াম্না কোকহনবা ঙমগনি থাজৈ।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## অইবশিংগী শক্তম

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

অইবশিংগী খূৎইনা ফুরুপকী ওইনা ওল্লকপা ৱাখল অদু সাহিত্য অমসুং কলাদা য়াম্না শাফু কন্না ফোঙদোকপা থেংনৈ। কবিতাদা, দ্রামাদা, উপন্যাসতা, পাউচে, চেফোঙ কয়াদা অকনবা ঈথিল অমগা লোয়ননা ঈথিল পীদুনা ফোঙদোকই। অইবগী হৈশিংলবা খূৎইনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী ৱাখল লমজিংবী। মসিনা থৱায় পাঙ্গল থৌনা লিংজেল হাপ্পী। মসিনা মরম ওইদুনা অন্দলোন অমসুং রেভল্যুসন থোকপগী মরম কয়া লৈরম্বা য়াই। সিভিল ৱারদসু সাহিত্যনা অচৌবা থৌদাং য়াখিদবা নত্তে। লাইরিক লাইশ্রু হৈরবা নহারোলশিংদা ৱাখলগী মমুন ফারবা ৱাখল খন্থনবগী অচুম্বা বিচার তৌনবগী থৌনা শক্তি পোকহল্লি। সাহিত্যগী মচাক্লা ৱাহৈ ৱাতা, চৎন-কাঙলোন, খুজিল থৌরাং, পোরম-পোমিৎ, শক্তি কয়া অমা ইনোৎ পী। সাহিত্যনা অন্দলোনগী ৱাখল চৈশ্রুনি অমসুং থৌনানি।

কলাদা দ্রামা, সিনেমা, লীলানা লমচৎ-শাজৎ চুমথোক্লবা অমসুং তৌরোইদবশিং ময়েক শেংনা তাক্তুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহল্লি। ফত্তবা তৌবা থবক থৌদাংনা মীওইবদা কয়াম য়াম্না মাঙজবা অমসুং তোংজবগী অইবশিংনা পুথোক্তুনা খুন্নাইবু শেংদোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মতমগী মতুংইন্না অইবশিং অসিগী ৱাখল অসি সমাজ সংস্কারগী মপূং ওইবা ৱাখলগী পরিংদগী লাম্হোকপা ঙমখিদে। মতম মতমগী সমাজগী সমস্থাশিংনা মখোয়গী সাহিত্যগী মচাকনি। কলা হায়বসিনা তাক্লিবা অদুগা হৌজিক ফাওবদা মসিনা খঙনরিবদি য়াম্না অখুবা ৱাখলদা ফজবগী মওংবু পুজা তৌবনি। খম থেংনা মীৎয়েং অদু কলাদা য়েংবা ঙম্নবা হোৎনবনি।

মীওইবগী হৌনা লোনচৎকী ফজরবা মিত্তম অমা শাগৎপগা চপ মান্নৈ। সমাজদা অনৌবা ৱাখল অনৌবা পুন্সিগী মীৎয়েং অমসুং লোনচৎকী পান্দম অমা পুরকপনি। মহাত্মা গান্ধীগী খূৎই কয়ানা, চেফোঙ কয়ানা ইন্দিয়া মচাশিংদা অনৌবা ৱাখল থৌনা কয়া পোকহল্লিবনি। মসিনা নীংতম্বগী লানগী ৱাখল শন্দোকখি। মসিগুম্বা শিংথাবা য়ারবা মীওই কয়ামরুম্না ইবা ধর্ম্ম, নিতি, রাজনিতি, ক্ষেত্রদা দ্রামা উপন্যাসনচিংবা হীরমদগী থোইদোক্লা শিংথানরবা মীওই কয়া অমা লৈরিবনি। মরৈবাক নীংবগী ফজ ফজরবা দ্রামা, উপন্যাস কয়ানা চঙখোল্লবা ৱাখল্লোন্দা ফোঙদোক্তুনা পুথোকপীরম্বা ময়াম অমনি। অইবশিংনা পুথোকখিবা ৱারেং, শৈরেংনা অৱাংবা থাক্তা পুরকপদা নত্তনা অরংবা য়ুগ অমসু পুরকখি।

মতম মতমগী ওইবা লায়না লায়ওং কয়াবু পুথোক্তুনা নৈনবগী মচাক কয়ামরুম অইবনা নাকোয়ননা থিন্দুনা তাকপগী মমি তাই। মসিনা মরম ওইদুনা সমাজ অমদা ইনোৎ কয়ামরুম পীরিবনি হায়বসি নৈনদুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু। নুংশি নুংওন্দবু ওইরো, রাজনিতিদবু ওইরো, মহৈ মশীন্দবু ওইরো তৌগদবা থবক থৌদাংদবু ওইরো, মীহাৎ মীপুন্দবু ওইরো অফ-ফত্তবা লোনচৎতবু ওইরো, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তবু ওইরো খুদিংমক অইবশিংগী চেফোঙ অমসুং লাইরিকশিংদগী ময়েক শেংনা উবা ফংলিবনি। আইন অমসুং চৎন কাঙলোনসু অইবনা থম্বীরম্বা ঙাক্তনি হায়বা ৱাফম থমজরি। ঐখোয়না অইবশিংবু ইকায়খুম্নফম থোকই। মখোয়সু লৈঙাক পায়বা য়াওরিবনি, মায়কৈ অমরোমদা হায়বা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংই কলমনা থাঙদগী হেন্না থৌই হায়বদো।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

---

## ষ্টেটকী পাউ

## ইরাল অমনা ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): তরুনি ফিল্মস প্রদক্সনগী বেনর মখাদা রেমিনা প্রজেন্ট তৌবা 'ইরাল অমনা' হায়না মিংথোনবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অমা বামোন লৈকায়দা লৈবা ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর ক্ষেত্রিময়ুম রমেশকী য়ুমদা য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ফিল্ম অসি অভিজিৎ সোরামগী ষ্টোরিনি। ক্ষেত্রিময়ুম রমেশ অমদি ক্ষেত্রিময়ুম নিশিকান্তনা প্রদ্যুসর ওইরি। ফিল্ম অসিগী স্ক্রিনপ্লে অমসুং দিরেক্টরনা সুধির কাংজমনি। ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর রমেশনা থৌরম অসিগা মরি লৈননা ফোঙদোকখিবদা ফিল্ম অমদা লৈরিবা আর্টিষ্ট, ক্রিয়ু মেম্বর খুদিংমক্লা ইশা-ইশাগী মতম ঙাক্লা চৎলবতদা ফিল্ম অমা মায়পাকপা হায়বদু ওইগনি। আর্টিষ্টশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি। ফিল্ম অসিদা সুরজ, সোমা, দেবিতা, অরুন য়ুম্নাম, নিশিকান্তা, জয়বিদ্যা, লিম্হোই, মোধুবলা থৌদাম, ললিতাবি অমদি রতনলাইনচিংবনা মরুওইবা মমিরোইশিং ওইনা শরুক য়ারি।

## পলেমনা শান্নরোইশিংগী নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): পোইরৈ অপুনবা লৈমরোল মৈরাপায়বি (পলেম)না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা শান্নরোইগী নুমীৎকী থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা লল্লাই এ সীদা লৈবা নাপেৎতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরি লৈননা পাঙথোকখিবা নুপীশিংগী ওইবা ১০০ মিটর রেসতা গ্রুপ এগী ওইনা নোঙ্গ্রেন খুলগী মাইবম শঙ্গিতা অমদি গ্রুপ বিগী ওইনা চানাদগী থোকচোম রেবিতানা ফার্ষ্ট তাখি। লোয়ননা টগ ওফ ৱারগী মশান্নদা চানাগী নুপীশিংনা ৱিন্নর ওইখি অমদি রন্নর্সঅপনা নাপেৎ পল্লিগী নুপীশিংনা তাখি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নোঙ্গ্রেন-চিংনুংকোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম বিলাসিনি, নাপেৎ মৈরা পায়বিগী প্রসিদেন্ট কেঐচ থবা, রিটায়র লেকচরর টিঐচ রাশি অমদি এন ই য়ু সী ওগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি অমসুং অমুকোগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ৱাই ইনাউচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী লোয়শিল্লকপদা নুপীশিংগীতা ওইবা মশান্নশিংদা মকোকমথং তাখ্রবশিংদা প্রাইজসু খুৎশিন্নখি হায়রি।

## চরাংপাৎ ময়ায় লৈকায়দা য়ূম অমা মৈ চাকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চরাংপাৎ ময়ায় লৈকায়গী মমা-মচা অহুম লৈবা য়ূম অমা ঙরাং মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবদা মৈনা তুম্না চাকখ্রবা য়ূম অদু কোন্সম ওংবী রধারানি (৪৫) মপুরোয়বা লৈখিদ্রবা কোন্সম জানেগীনি। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং মৈ লাক্তুবদগী কেন্দল থানবদা গ্যাস লিক ওইরকপদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

য়ূম্বু কোন্সম রধারানিনা ফোঙদোরকপদা য়ূম শাবা ঙমদবদগী অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা য়ূম অসিদা মমা-মচা মখোয় অহুম ৱানা হিংজরিবনি। অদুবু ঙরাং থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক হৌজিক শেৎলিবা ফি অসি নত্তনা অতৈ করিগুম্বা অমত্তা লৈহৌদ্রে। মমা-মচাগী তুংগী লম্বী অমত্তা উবা ফংদ্রে। মরম অসিনা পুকচেল চাউরবশিংনা অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা মতেং পাংবীয়ু হায়না পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

অমরোমদা, ৱাংখেম এ সীগী সোসল ৱার্কর খরিবম জিবননা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা মতেং ওইনবা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে।

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 223/SDC/Kumbi/2021**

Thounaojam Taruni Devi W/o (L) Raghumani Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai.

-Vrs-

Thounaojam Raghumani Singh S/o (L) Tondonbi Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kumbi, the 25th Feb, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬১-ৱাঙুদা লৈবা পাট্টা নং ... (অরিবা) অমসুং ৫৫২,৭৯৯ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ২২৭৩, ২৩৯৩, এরিয়া ১.৫২, ২.৭৮ একর চাউবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

HL-P/9069/26 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Kumbi*

## GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 25th February, 2021**

**No.Prop/SR/IW/2021:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Baptist Church"** on 24/02/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Awang Potsangbam Khullen**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/9064/26

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG

**Ref :- Mut. Case No. 124 of 2021**

(1) Akoijam (O) Tombisana Devi W/o (L) Ak. Raghumani Singh of Kwakeithel Konjeng Leikai. (2) Akoijam Daniel Singh S/o (L) Ak. Raghumani Singh of -do- (3) -do- Tomson Singh S/o -do- of -do-

-Vs-

(Late) Akoijam Raghumani Singh S/o (L) Ak. Ibotombi Singh of Konjeng Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 25th Feb. 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৪৫ - সঙাইপ্রৌ পাট্টা নং ৯০ (অরিবা), ৮১৬/১২৫৯ (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা), ১৬২১/১৭৬০ (অনৌবা) গী এরিয়া ০.০৬৩৫০ একর/হেক্টর চাউবা ইখ্খোল/লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ০৬/০৩/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

HL-P/9070/26 *Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, Hiyangthang*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mut. Case No. 124 of 2021**

Leichombam Ningthem Singh S/o L. Gouramani Singh of Leimaram Awang Leikai. - Applicant

-Vs-

1) (L) Leichombam Ibomcha Singh S/o (L) Pangoi Singh of Leimaram (2) (L) -do- Pishak Singh S/o (L) -do- of -do- (3) (L) -do- Merajao Singh S/o (L) -do- of -do- (4) (L) Angom Lukhoi Singh S/o A. Gobindo Singh of Pheiyeng. - O.P. Pattadars

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Oinam, the 25th Feb, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুন নং ২৮ - লৈম্রামগী পাট্টা নং ২২২/২৮৮ (অনৌবা), দাগ নং ১১১৭, এরিয়া একর ১.৭৭ চাওবা ইখ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লুগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুং লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজ রোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

*Sd/- S. Budhichandra Singh*
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/9071/26